# ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা মীৎয়েং অমা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

শান্নবগী মকোক মথং তাবশিংদা মালেমগী ওইনা শেলগী মনা খ্বাইদগী চাউনা পীবশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ হায়না খঙনবা ক্রিকেট শান্নবদা অথোয়-অহেন তান্নবগী থৌরম অমা লৈবাক অসিদা কুমজা ২০০৮দগী বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) হায়না খঙনবা অসিনা চহী লিশাং শিংনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা অসি চহী অসিগী ওইনা মহৌশাগুম্না হৌজিক বেঙ্গলোর, চেনাই, দিল্লি, হায়দ্রবাদ, জয়পুর, কোলকটা, মোহালি অমসুং মুম্বাইদা চথরিবা অসিদা ৱারেং অসি ইবা মতমদা টিম খুদিংমক মেচ ১০ শান্নখিবদা চেন্নাই সুপর কিংসনা তরেৎ থোয়দুনা অহুম পোখি অমদি মুম্বাই ইন্দিয়ান্স অমসুং দিল্লি কেপিটেলসনা তরুক-তরুক থোয়দুনা মরি-মরি পোখি। মরম অদুনা টিম অনী অসিনা পোইন্ট ১২/১২ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। চেন্নাই সুপর কিংসনা মকোক্তা লৈরি। ত্বেন্টি-ত্বেন্টিগী প্রেমিয়র লীগ অসি মার্চ নৎত্রগা এপ্রিল অমসুং মে থাদা পাঙথোকই।

লীগ অসি হৌদোকখিবগী ৱাখল্লোন অমদি লীগ অসিবু অহানবা ওইনা পাঙথোক্লুবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ললিট মোদি লীগ অসি হৌবা মতমদা কমিস্নর ওইরমখি। মহাক মমৈথংদা প্রেমিয়র লীগ অসিদগী য়াল্লবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নবা অমদি শেঙ্গা থুমজাদা খুরৌ থাংদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱাকৎ কয়া কোর্টতা থাঙ্গৎখি। অদুবু ইংলেন্দদা চৎখিদুনা মফম অদুদা নাথৈদুনা লৈখি।

লীগ অসি টিম ৮না শরুক য়াদুনা কুমজা ২০০৮দগী চহীগী ওইনা চথরকপা অসিদা মুম্বাই ইন্দিয়া অমসুং চেন্নাই সুপর কিংনা অহুম অহুল্লম থোইনদুনা লীগ অসিগী খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকপা টিমশিং ওইরি। কোলকটা নাইট রাইদরসনা অনীরক, দেকান চার্জর, রাজস্থান রোয়েল অমসুং সনরাইজরস হায়দরবাদনা অমুক অমুকসু থোইবা ঙমখ্রে। হৌখিবা চহী ২০১৮দা চেন্নাই সুপর কিংসনা সনরাইজরস হায়দরবাদপু ফাইনেলদা রন ১৮১ লৌরগা ৱিকেট অনী তুখি অমদি সনরাইজরস হায়দরবাদনা ৱিকেট তরুক তুবগা লোয়ননা রন ১৭৮ লৌখিবনা চেন্নাই সুপর কিংসনা আই পি এল টাইটল অহুল্লকশুবা ওইনা ফংবা ঙমখি।

টিমশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মপুশিংদি মখোয়বু স্পোন্সর তৌবা য়াবা য়াল্লবা শেনফমশিং পুথোকপা, শান্নবদা থৱায় য়াওবা, মীংচৎসু তানবা পৈশাসু পাম্বা ইনাকখুনবশিংনি। খুদম ওইনা মুখেস অম্বানিনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্স টিমগী মপুনি, সরুখ খান, জুহি চাওলা অমসুং জোয় মহেতানা কোলকটা নাইট রাইদরসকী মপুনি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারম্বা টিম মঙাদি মখোয় মখোয়গী ওর্গনাইজেসনশিংগী মপাঙ্গল কঞ্জবা, শেল থুমগী ফীভম ফত্তবা, টিমগী ষ্টেন্দর্দ হন্থরকপনচিংবা হীরম কয়াদগী লীগ অসি মখা তানা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মখোয়গী মরক্তা শিংথানবা য়াবদি 'দেকান চার্জর' নি। টিম অসিনা কুমজা ২০০৯গী অনীশুবা এদিসন্দা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি। মথংগী চহীশিংদা মথংশিংনা ৪শুবা, ৭শুবা অমসুং ৮শুবা পোজিসন্দা লৈখিবগা লোয়ননা টিম অসি কুমজা ২০১৩দগী মুৎখি। মতৌ অসুম্না পুনে ৱারিয়র, কোচি টস্করস, রাইজিং পুনে সুপরজেইন্ট, গুজরাট লায়নসু অৱাৎপা কয়ামরুম লৈবদগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অসিদা মখা তানা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মখোয়গী মনুংদা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্ট কুমজা ২০১৭তা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। কোচি টস্কর কুমজা ২০১১দা অমুক্তং শরুক য়ারম্লগা তোকখি। মহিন্দর সিংহ ধোনিনা লুচিংবা শেঞ্জাও পায়বা এন শ্রীনিবাসন্না মপু ওইবা চেন্নাই সুপর কিংসনা কুমজা ২০১৮গী আই পি এলগী চেম্পিয়ননি। মরম অসিনা কুমজা ২০১৯গী হৌজিক চথরিবা ১১শুবা এদিসন অসি লোইদ্রিবা ফাওবদি মহিন্দর সিংহ ধোনিগী টিম অসিগী মমীংদা অদুমক চেম্পিয়ন ওইনা লৈখিগনি।

হৌখিবা চহীগী ফাইনেলদা টিম অসিগা হায়দরবাদকী সনরাইজরসকা শান্নখিবদা সুপর কিংসনা ওভর ১৮.৩দা ৱিকেট অনী তুরগা রন ১৮১ লৌখিবদা সনরাইজরসনা ওভর ২০দা রন ১৭৮ লৌরবা মতুংদা ৱিকেট তরুক তুখি। কোলকটাগী নাইট রাইদরনা অহুমশুবা অমসুং রাজস্থান রোয়েলসনা মরিশুবা তাখি। চেম্পিয়ন ওইখিবা চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং মরিশুবা তাখিবা রজস্থান রোয়েল হায়রিবা টিম অসি কুমজা ২০১৬ অমসুং ২০১৭কী অথোয় অহেন তান্নবদা শরুক য়াহনখিদে, সস্পেন্দ তৌদুনা থমখি। অনীশুবা তাখিবা সনরাইজরস হায়দরবাদ লীগ অসি হেক হৌরকপা কুমজা ২০০৮দগী শরুক য়ারকখিবা নত্তে। কুমজা ২০১৩দা শেমখিবা টিম অসিনা চহী অদুমক্তদা (২০১৩) শরুক য়াবা হৌখিদুনা কুমজা ২০১৬তা ফাইনেলদা রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোরবু রন ৮দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। অনীশুবা তাখিবা সনরাইজরস হায়দরবাদ লীগ অসি হেক হৌরকপদগী শরুক য়ারকখিবা টিম নত্তে। কুমজা ২০১৩দা টিম অসি শেমখিবনি অমসুং শরুক য়াবসু হৌখিবনি। টিম অসিনা কুমজা ২০১৬তা রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোরবু রন ৮দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

আই পি এল অসি মালেমদা পাঙথোক্লিবা ক্রিকেট লীগশিংগী মনুংদা মী খ্বাইদগী য়াম্না য়েংবা টুর্নামেন্ট অমনি। কুমজা ২০১০দগী আই পি এল অসি য়ু ট্যুবতা লাইফ ব্রোদকাষ্ট তৌখি। মসি মালেমদা অহানবনি। অথোয় অহেন তান্নবা অসিগী ব্রর্ল্ড ভেল্যু অসি কুমজা ২০১৮দা অমেরিকান দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৩নি। কুমজা ২০০৮দগী পাঙথোকখিবা লীগ অসি হন্দক্কী চহী অসিদা শান্নরিবা অসিনা ১২রকশুবনি। কুমজা ২০০৮দগী ২০১২ ফাওবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা রিয়েল দিভেলোপর দি এল এফনা স্পোন্সর তৌখি। কুমজা ২০১২ লোইখিবদা পেপসি কম্পেনিনা লুপা ক্রোর ৩৯৬.৮দা মথং চহী মঙাগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিবু লৈখি। অদুবু কম্পেনি অসিনা মতম শুদনা চহী অনী ৱাৎলিঙৈদা তোকখি। মসিগী মরমদি অয়াম্বনা চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং রাজস্থান রোয়েলস হায়রিবা টিম অনী অসি সস্পেপ্পন্দ তৌখিবদগীনি। অদুবু পেপসিনা কন্টেক্ট অদু লোইদ্রিঙৈদা চহী অহুম স্পোন্সরশিপকীদমক লুপা ক্রোর ২৩৮.০৪ পীখি। মতুং তারকপদা বি সী সী আইনা লেমহৌরিবা সিজন অনী অদুগী কন্ট্রেক্ট অদু চাইনাগী স্মার্ট ফোন শাবা কম্পেনি ভিভোদা লুপা ক্রোর ১৯০গী কন্ট্রেক্ট পীথোকখি।

ভিভোনা কুমজা ২০১৮দগী ২০২২ ফাওবা সিজন মঙাগী কন্ট্রেক্ট বিদ তৌনবদা লুপা ক্রোর ২১৯৯দা ফংখ্রে। দি এল এফনা কুমজা ২০০৮দগী ২০১২ ফাওবা লুপা ক্রোর ২০০, পেপসিনা কুমজা ২০১৩দগী কুমজা ২০১৫ ফাওবদা লুপা ক্রোর ২৩৮.০৮ অমসুং ভিভোনা কুমজা ২০১৮দগী ২০২২ ফাওবা লুপা ক্রোর লিশীং অনী চান্মা মরিফুতরা মাপলনি।

## অনীথোকপী অহুমথোকপী ময়ামগী মরক্তা...
# রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ অহুমখক পালন তৌনখ্রে

- বী এম মাইস্নাম্বা -

**ৱাহৌদোক :** মৈত্রবাক মণিপুরদা করিগুম্বা নীংশিং থৌরম নৎত্রগা মিংনাইরবা, শক্লাইরবা মীশক অমগী মপোক নুমিৎ পালন তৌবদা 'অনী থোকপী' নৎত্রগা 'অহুম থোকপী' হায়বা অসি হেক্তা থোরকই। চমম্ন বা-চয়েৎনবা কয়া, ঙাইহাক লৈতনা থেংনরি। করি অমুক হায়রুগনি, ফক্লাং পাঞ্জিকা খোৎপশিংনসু থবান অনী পানশিন্দুনা একাদসি অনী থোকহল্লি। অশেংবা একাদসি নুমিৎতা ঙা চাথোকউরগা অনীশুবা একাদসি নুমিৎতা ঙা হেনবা অদুম য়াই। অসিগুম্বা ময়াম অসিদগী মণিপুরবু 'অনীপুর' নৎত্রগা 'অহুমপুর' কৌবসু য়ারে। থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা খূৎপু অমগা খূৎপু অমগা য়েৎনবা, য়ানদবা কয়া লৈখ্রে। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ৱাফম অসি লৈখিসনু। অহানবদা অনীথোকপী, অহুমথোকপীগী খুদম খরা ৱাহৌদোক ওইনা লৌখৎচগে।

'মৈতৈ' হায়বনা চুম্মী; নত্তে-নত্তে 'মীতৈ' হায়বনা চুম্মী, অসুম হায়দুনা হৌজিকসু লৈখায় তাদ্রি। 'মণিপুরী মৈতৈ, 'মৈতৈ হিন্দু' 'কংলৈ মীতৈ' 'কছার মীতৈ' অসুম হায়নসু তোঙান-তোঙানবদৌনা তৌরি। লাইনীং লম্বীসু অনী/অহুম শুরি। লাইবক্তা 'নমসা' নম্বসু লৈহিংলৈমু মচু নম্বা কাঙবু অমা, লাইবক্তা চন্দন মচুগী 'নমসা' কাংগোই নম্বা কাঙবু অমা, নাতোন্দগী লাইবক য়ৌনা চন্দন মশাং থিনবা কাঙবু অমা, মখল-মথেল কয়া থেংনরি। 'মৈতৈ', 'মীতৈ' নৎত্রগা মণিপুরী' হায়নীংদবা মীওই কাঙলূপ অমনা 'কংলৈচা' নৎত্রগা 'কংলৈয়ান' হায়দুনা শীজিন্নবসু থেংনরে।

অসুম্না, লৈমীশিংগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোন অমদি মিৎয়েংলোন খেন্নবগী মতুং ইন্না লৈবাক্কী ওইবা থৌরম পাঙথোকপদসু 'অনীথোকপী', 'অহুমথোকপী' কয়া কয়া থোরক্লি। মীয়ামগী ওইবা দিমান্দ অমা তানবগীসু লূপ অনী, অহুম হেক্তা চিংখায়নরকই। অদুনা দিমান্দ কয়া ফংদনা লূপ কয়া কায়খিবসু থোক্তবা নত্তে। 'মেখলা দেশ' নৎত্রগা 'শিবনগর' হায়নসু কৌরম্বা 'পোইরৈ মৈতৈ সনা লৈবাক' অসিগী কুমহৈ নুংঙাইখ্রপোৎনি। পৌরপ্পা, খুদম খরদংগা লৌখৎচখিগে।

'মৈতৈ চৈরাওবা', 'মীতৈ চৈরাওবা' অনী থোকই। লৈঙাক লোইশঙগী মখাদা লৈবা স্কুল, ওফিস পূম্নমক ছুটি অনীরক থাই। ছুটি অমমমতং ফংহনবনা চুমলোইদ্রা? ছুটি অনী অসিদসু নত্তনা কোংবা লৈথোং ফাৎপা, শজিবু লৈখুন ফুনবা-থৌরম অনী অসিসু অনী থোক্লা তোঙান-তোঙানবা নুমিৎতা পাঙথোকনৈ। মদুগী মরমসু লৈ - সনা কোনুংদা 'পণ্ডিট লোইশঙ' হায়বা অমগা সনা কোনুং 'উত্রা শঙলেন' হায়বা অমগা ওথোরিটি অনী লৈ। অদুগা চহীগী চৈথাবসু অনী অনী লৈরক্লে। নৌনা পোকপা অঙাংশিংগী 'জন্ম কুষ্ঠি' নৎত্রগা 'মপোক ময়ি' ইনবা পাঞ্জি নৎত্রগা অখণ্ড অহৈসু মখল অনী অনী থোরক্লে। লাইনীং লম্বী তোঙান-তোঙানবগী মতুং ইন্না কুষ্ঠি ইবদা হাপ্তুবা য়াদবা চৈথাবগী মমিংসু কুম-কুম অদুগী তোঙান-তোঙান্না হাপ্পরে। মীওই খরনা হায়রকই - "মৈত্রবাক্তা চৈরাওবা অনী থোকখিবদগী ঐখোয়দি চৈরাওজদ্রে...।" মীওইশিং অদু মমিং মথাদি পঞ্জররোই।

চৈরাওবা অনী শুবদসু নত্তনা অতৈসু কয়া লৈরি । এপ্রিল ২৩গী খোংজোম দে, এপ্রিল ২৫গী খোংজোম দে অনী থোক্লা পাঙথোকই। ছুটিদি অনীমক থাদ্রি, খরা লৈরগদি থারকপা য়াই। 'পুয়া মৈ থাখিবগী নীংশিং নুমিৎ' মেরা থাদসু পাঙথোকই, ৱাকচিং থাদসু পাঙথোকই। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ফোঙখিবা ফাইন্দিংশিং- কনানা লানবা, কনানা চুম্বা হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদ্রি। চৈরকসিদা 'মেরা হাওজোংবা' হায়বা নত্তে 'মেরা হৌচোংবা' হায়গদবনি হায়দুনসু অদুম চমম্নরি। মসিনসু লোইবা নত্তে। 'বিশ্বকর্ম পুজা' অমদি 'লাইনিংথৌ পিসাতাও ঈরাৎপা' অনী অমুক মুন্নরক্লি। 'পান্থোইবী ঈরাৎপা' অমদি 'দুর্গা পুজা' থৌরম অনীদা নুপী পালাগী শৈশকসু অনী/অনী থোরক্লি। লাংবন থাগী তর্পন কৎপা, লাংবন থাগী হৈশোয় কৎপা - রাম তর্পনগী লাইশোন, মৈতৈলোন্দা ওন্থোকনৈ। ইরোল অমদি মীরোনগী লরাই অমসু অদুম চথরি। ময়েকসু অদু মঙাই। মৈত্রবাক মণিপুরদা হৌজিক হিংলিবা মীরোন অসি অরি অনৌ শিন্নবগী লংদাইফম খঙদ্রবা হায়বদো ওইরক্লে। অচুম অরানগী লিখুন থিবদা ককঙাওনবা হায়বদো ওইরবনি। 'সলাই ফি' গী দিজাইনসু মখল মরি/মঙা থোরক্লে। ঐগীসিনা চুম্মী, মাগীদো লাল্লি হায়দুনা পোৎশিং তান্নরি। ইমোইনুসু ঈরাৎলি, লক্সমিসু পুজা কৎলি। সরস্কতি পুজাদি তোক্লখ্রে। 'হুরেং নারেং সুন্বী' হায়বগুম তৌবী লাইরেম্বী অমগা সরস্বতিগা মান্নে হায়দুনা লাইয়েক অমা পাউচে অমদা থেংনখ্রে। কাঙবু অমনা সরস্বর্তিগী মহুৎতা 'শিললৈমা' কৌবী লাইরেম্বীঅমা লৈ হায়দুনা মদুগী লাইয়েকসু ফোঙখ্রে। চয়েৎনবা মরক অসিদা লাইরেম্বী অনীদো মাঙখ্রে। অঙাং লাইরিক তম্বা হৌবগী লাইখুরুম্বা, ওজা বোরিবা তোকখ্রে। 'গোদেস ওফ লার্নিং' খুরুম্লগা এ বি সী হায়না তম্নরে, মমালোন, মপালোন কনাসু থৌওইনদ্রে।

অনীথোকপী অহুমথোকপী ময়ামগী মরক অসিদা মিংনাইরবা, শক্লাইরবা মীওই কয়াগী মপোক নুমিৎ পালন তৌবদসু অনীথোকপী অহুমথোকপী কয়া থেংনরক্লে। অখণ্ড-অহৈ কয়ানা মাগী মাগী ফাইন্দংনা চুম্মী হায়দুনা মপোক নুমিৎ অহুম/মরি শুরকপা মীওই কয়া চোঙথোরক্লে। অকাউবগী ইরোলনুংদা লৈখ্রবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ৱাদি থম্বু থমখিসি। চহী ১০০ খরদং হেল্লিবা ডা. লমাবম কমল (কবি অমসুং নোভেলিষ্ট) গী মপোক নুমিৎসু অহুম থোক্লা থেংনরে। শমপৎনা খরদং লৌখৎচগে।

১) খৃষ্ট কুম ১৮৯৯গী মার্চ ৭তা লমাবম কমল পোকই হায়দুনা মপোক নুমিৎ পাঙথোক্লুখি। মতম খরা লৈরগা খৃষ্ট কুম ১৯০০গী মার্চ ৩, থাংজদা লমাবম কমল পোকই হায়দুনা অমুক য়েৎনরকই। (২) সাহিত্য একাদেমিনা ফোঙবা মোনোগ্রাম অমদি রাইটরস ফোরম, মণিপুরনা ফোঙবা **'হুজ হু ওফ মণিপুরী রাইটরস'** কৌবা বুকলেট অনী অসিদদি কমল পোকপা অসি ৭/৩/১৮৯৯ হায়দুনা লাচনখ্রে। ইংলিসতা ফোঙবা লাইরিক অনী অসি মপানগী লমদা শন্দোকখ্রবনি। শেমদোক্লুবা লুরগনি। ডা. লমাবম কমলদি থাংজদা পোকই, থাংজদা শিখি হায়রি। অদুনা খৃষ্ট কুম ১৮৯৯গী মার্চ ৩ অসি নোংমাইজিংনি। অদুনা খৃষ্ট কুম ১৯০০গী মার্চ ৩ অসি থাংজনি। মসিনা চুমগনি হায়দুনা মপোক নুমিৎ অমুক পাঙথোকই। খৃষ্ট কুম ১৮৯৯গী মার্চ ৭ অসিদি থাংজ নত্তে, লৈবাকপোকপা তাই।

(৩) কনাগীনা লানবা, কনাগীনা চুম্বা হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদ্রি। খৃষ্ট কুম ১৯৭১দা শ্রী নিংঙোম্বম হেমচন্দ্র, জ্যোটিষরত্ন শিরোমনি ফংলবা অমনা ইবা **'ছন্দ-রস মঙাল'** কৌবা লাইরিক্তা লমাবম কলমদি খৃষ্ট কুম ১৮৯৯গী মার্চ ২৫ থাংজ নুমিৎতা পোকই (ঐঙোন্দা জন্মকোষ্ঠি ইখিবগী নোট লৈ) হায়দুনা ইরি। অদুবু সাহিত্যকারশিংনা নুমিৎ অসিমদি থিজিনবদা চিথহৌরে।

হৌজিক্তি ডা. কমলগী মপোক নুমিৎ অসি মার্চ ৩, ৭ অমদি ২৫দা হেক্তা পাঙথোকপা য়াই। মাগী মাগী ফাইন্দিং লৈরিবা ঙাক্তনি। ডা. কমল লৈখিদবা অসি খৃষ্ট কুম ১৯৩৪গী ফেব্রুৱারী ১৭, লমতা থাগী মরিনি পানবা থাংজ হায়দুনা অমুক থেংনৈ। অতোপ্পা লাইরিক অমদনা খৃষ্ট কুম ১৯৩৫গী ফেব্রুৱারী ৬তা ডা. কমল লৈখিদে হায়রি। নুমিৎ অসিদি থাংজ তাদে, য়ূমশকৈশানি।

ডা. কমলদসু নত্তে মপোক নুমিৎ অনী/অহুম শুবা মিংনাইরবা মীওই কয়াসু লৈরি । জন নেতা ইরাবতসু সেপ্টেম্বর ২৯দা পোকই, সেপ্টেম্বর ৩০দা পোক্তে হায়নরি। মাগী জন্ম কুষ্ঠি কদায়দনো অমদা লৈরি হায়দুনা তারি। অমুক্তং চৎতুনা য়েংলুগে খল্লি। এলাংবম ওজা নিলকান্তগী মপোক নুমিৎ অসি অহানবদা নবেম্বর ১দা পাঙথোক্লুই। মহাক লৈখিদবগী শ্রদ্ধাঞ্জল্লি কৌবা জর্নেল অমদনা মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসি ওক্টোবর ৪ হায়দুনা ইবা থেংনখি। ময়ূমদা থেৎপা ফোটো অমদনা ওজাগী মপোক চহী অমদি নুমিৎ ৯/১০/১৯২৭ ইং হায়না অসুম্না থারম্মী। ওজা নিলকান্ত খৃষ্ট কুম ২০০০, ফেব্রুৱারী ১১দা লৈখিদবনি।

নীংশিংলকপা অমসু লৈরি। এলাংবম ওজা রাজনীকান্তা! মহাক্না পেন্সন ফংলবা মতুংদা অসুম্না নোংমা হায়খি- 'বী এম, ঐহাক হৌজিক্তি থবক্তগী পোত্থারে, ঐগী বাইও দাটাগী চহীদো লাইরিক ফোঙবদদি কুষ্ঠিগী চহী অদো হাপ্পীরো।' ওজানা অসুম্না হায়রগা মাগী অশেংবা চহীদো ইরগা পীরম্মী। ওজা রাজনীকান্তা খৃষ্ট কুম ১৯৩৪গী ফেব্রুৱারী ১৭তা পোকই হায়দুনা শেমদোকখি। হান্নদি মহাক খৃষ্ট কুম ১৯৩৫দা পোক্লম্বনি।

অনৌবা চক্কী অনৌবা মীরোনগী মপোক নুমিৎ অনী/অহুম শুরকপগী মরম অনীখক লৈ - চহী লোৎপা অমদি চহী শেমদোকপা। মৈত্রবাকচাশিংনা লাইরিক তম্নরকপদগী মেত্রিক থারমদাইদা ফোর্ম মেনশিনবদা চহী হাপনৈ। চহী নৌথনা পান্নে। মসিগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। খ্বাইনা খঙনরবা মরমশিং অদুদি শন্দোকচররোই। হৌজিক্তি মী খুদিংমক্কী একাদেমিক এজ' হায়বা অমগা 'হোরোস্কোপিক এজ' হায়বা অমগা অনী অনী লৈনরে। করি অমুক হায়রুগনি, চহী লীরবা পাখণ্ড লৈশাবী কয়াসু 'জন্ম কুষ্ঠি' নৌনা শেমদোক্লুগা লুহোংনরবনি। মেষ রাশিদা পোক্লকপা নুপা-নুপী অদুগী নেটেল চার্ট ওন্থোক-ওনশিন তৌরগা কন্যা রাশিদা ওন্থোকপা য়াই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফমশিং অসি তরাই-তরাই খনবীগনু। ৱাহৌদোক অসি থমজবগী মরমদি ঐখোয়গী চহী ১০০ মনুংগী মীরোন্দা হিংলম্বা শক্লাইরবা, মিংনাইরবা মীওই কয়াগী মপোক নুমিৎ ফাওবদা অনী/অহুম শুরবা অসিদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মপোক নুমিৎ (কুমজা, তারিখ য়াওনা) ১১/১২ লৈরম্বগী মনুংদগী মপোক নুমিৎ অহুমখক খঙ্গৎলগা পাঙথোকপদা করিবু ঙক্লিংঙাই লৈবগে?

**কর্ত্তা মহারাজগী মপোক নুমিৎ ফৈদোম :** মপোক্কী কর্ত্তা (কুষ্ঠি মিং ওইরম্বা য়াই) কৌবা মৈত্রবাক্কী ইনিংথৌ মহাকপু চীংথংখোম্বা, জয় সিংহ, মমৈদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ হায়দুনা খঙনখি। মহাক পোকপগী জন্ম কুষ্ঠি লৈতে। চৎনবী অমা ওইনা মহাক্লা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা সুরধুনু গঙ্গাদা থাদরমগনি। কনানা খঙবা, মাগী জন্ম কুষ্ঠি ইরমদবসু য়াই। মতম অদুদা মখুরা মতোনশিংনা মরাম্বা মচিন মনাও অনী (গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্র) বু হাৎকদবগী কোয়তান তান্নবা মতমনি। মমা ইবেম্মনা পিক্লিবা মচা অনীবু কোয়পু পুদুনা লোৎপা তাখি। কোনুংদা লৈবা ফংজখিদে। থায়না 'সাই তরেৎ' কৌবা শুমাং লীলা অমা য়েংখি। মদুদা ফজনা উৎখ্রে। কায়নথংদা, নিংথৌ ওইরোই হায়দুনা ৱাশকখিবা মতোন ইবুংঙো অনন্ত সাইনা মচিন মনাও অনীবু কোয়থি থিরগা নচিন ননাও অনী চহী মঙা/মঙা নিংথৌ ওইদুনা পানমিন্নৌ হায়দুনা নিংথৌ শেমখি। মতম কুইনা মীরোৎ ওইদুনা লৈরুবা কর্ত্তা মচিন মনাওগী ৱাফম হায়বদি মপোক নুমিৎনচিংবা 'চৈথারোল কুম্বাবা' দা লাচল্লমদবা ওইগনি। কর্ত্তা মশামক মহাক্কী মপোক নুমিৎ খঙজরম্মোই। মথ্বায় হিংনবা চেনবদা মাগী 'জন্ম কুষ্ঠি' ঙস্তানা মাঙলম্বা য়াই। সুরধুনি গঙ্গাদা থাদরমগদবা মাল্লক্তে। লীলা অদো অশেংবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইখিবনি হায়বা অসি 'চৈথারোল কুম্বাবা' পারুবগা থাজরকই। 'মরাম্বা মচিন মনাও কোনুংদা চাউরকই' হায়বা অসি পুৱারীগী চেমায় অমত্তদা থেংনদে।

মরম অসি লৈবনা অখণ্ড-অহৈশিংনা মাগী মাগী **'মন বুদ্ধি পুরাণ'** গী মতুংইন্না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র পোকখি হায়বগী কুমজা, তারিখ কয়া মথং-মথং পুথোক্লুরকখি।

**অহানবদা,** কর্ত্তাগী নিংথেমচা অমা ওইরিবা রাজকুমার সনাহল (বি কম সনা) না খৃষ্ট কুম ১৯৪৭তা ইহান হান্না ফোঙখিবা 'মণিপুর ইতিহাস' চেমায় ৫৭দা 'ইনিংথৌ অসি মোইরাংখোমদা, খৃষ্ট কুম ১৭৩৯দা পোকই' হায়দুনা পল্লি। নুমিৎ থবান য়াওদে।

**অনীশুবদা,** সরাংথেম বরমনিনা লেংথোকপা 'মৈতৈ নিংথৌরোল' (১৯৭৫) কৌবা লাইরিক্কী চেমায় ১২৮দা অসুম্না পল্লি - 'খৃ: ১৭৪৮ পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা নুমিৎনা ৱাতোন লোম্বা মতমদা য়াইস্কুল জন্মস্থান্দা ভাগ্যচন্দ্র পোকখি।'

(লানবা চুম্বগী ৱায়েৎ থমজরোই। ভাগ্যচন্দ্র পোক্লিঙৈদা মফম অসি করি মমিং কৌরম্বগে? হিচম য়াইচম পাৎকী এলাকানি। মফম অসিদসু মী তারম্ব্রা হায়বা ৱাহং অমা থোরকই)

**অহুমশুবদা,** শ্রীফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মনা ইবা 'মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং' কৌবা লাইরিক্কী চেমায় ৯৯দা অসুম্না ইরি - 'মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ খৃ: ১৭২৯দা পোকই।' মসিদা পোকফম, নুমিৎ, থবান য়াওদে। কদায়দগী ফংবনো হায়বদু পল্লমদে। লাইরিক অসি খৃষ্ট কুম ১৯৯০দা ফোঙখিবনি। ২০০০দসু অনীশুবা খূৎনম ফোঙখি।

**মরিশুবদা,** কর্ত্তা, নিংথেমশিংগী পুদিন ইথরিবা রাজকুমার অচৌবীস্না, পদ্মশ্রী, লোকলাউবুংদা লৈবনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ অসি শকাব্দ ১৬৬২ (খৃষ্ট কুম ১৭৪০) ইঙাগী ২৭নি পানবা (জুন ১১) য়ূমশকৈশ নুমিৎনি' হায়দুনা লাচল্লি।

(মসিদা পোকফম অমদি মতম য়াওদে। ইফিসিরিজ য়েংবা মতমদা নুমিৎ অসি লৈপাকপোকপা হায়দুনা থেংনৈ। মসিগী সোর্স নামৈরাকপম পণ্ডিট অচৌবা ওইরবা ইবোচৌবগী ময়ূমদা লৈবা চৈথারোল কুম্বাবা অমগী লাপান্দা ইরম্বনি হায়রি। অরিবা **'শঙ্গাই ফম্মাং'** অমগী লাপান্দা ইরম্বনিসু হায়রি।)

অখণ্ড-অহৈ কয়ানা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ পোকপসি খৃষ্ট কুম ১৭২০, খৃষ্ট কুম ১৭৩৪, খৃষ্ট কুম ১৭৩৬, খৃষ্ট কুম ১৭২১, খৃষ্ট কুম ১৭৩৭, খৃষ্ট কুম ১৭৪৯ অসিনচিংবা কয়াসু মাগী মাগী লাইরিক্তা পন্নে। ফংফম অমত্তা পল্লমদে। মপোক নুমিৎ ময়াম অসি মাগী মাগী **'মন বুদ্ধি পুরাণ'** নি হায়বমক য়ারে।

শ্রী শামুলাইলাৎপম প্রলাহদ শর্ম্মনা শ্রী ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মনা পুথোক্লুম্বা খৃষ্ট কুম ১৭২৯ অসিদা মখা তানা অসুম্না পুথোরক্লি '... শাদোকপম শাইপুগী কুম শক ১৬৫১, খৃ: ১৭২৯ ইং হিয়াঙ্গৈ থাগী ১০নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী কোরৌনা ৱাতোন লোল্লকপা তানয়ৈ পুং ১০ তারকপা মতমদা লম্লেন জন্মস্থান (য়াইস্কুল) দা কর্ত্তা সিংহ পোকচদুনা তাইবঙপান্দা খোঙদারকখি।' (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র... চেমায় ১৮৮, ২০১৫দা ফোঙবা)।

মথক্তা পঞ্জরিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অমদি মপোক নুমিৎকী থবানশিং অসি খরা খরা মান্নবসু য়াওই। কনাগীনা চুম্বা, কনাগীনা লানবা হায়বদো নৈনজররোই। মপূংদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি তোঙান তোঙানবা লূপ নৎত্রগা কাঙবু খরনা মপোক নুমিৎ অহুমখক্তি পালন তৌখ্রে হায়বদুনি। মথং মনাও নাইনা য়েংমিন্নসি।

**অহানবদা,** ইহান হানবা ওইনা ত্রিপুরাদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে। 'মরূপ' চেফোঙদা ফোঙখিবা পাউ মচং অদুমক মখাদা উৎচরি-

**'ভাগ্যচন্দ্রগী চহী ২৬৩শুবা মপোক কুমওন'** - মরূপ পাউমী ধর্মনগর।। সংস্কৃতিদা অনৌবা য়াওল অমা পুরকখিবা মণিপুরগী ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী চহী ২৬৩শুবা মপোক কুমওন হন্দক চহীসু ধর্মনগরদা পাঙথোক্কদৌরি। ইনাৎ পুদিন থৌগল্লুপ ধর্মনগর অমসুং ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নরগা দেবানপাশা (মনতলা) রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কমপ্লেক্সতা লৈবা ইনিংথৌ অসিগী মুর্ত্তিদা হৈ-লৈ কৎতুনা থৌরম অমদা মপোক কুমওনসি পাঙথোক্কনি হায়না ইনাৎ পুদিনগী থৌবুরেন নরেন্দ্রজিৎ রাজকুমারনা হায়রি। পনবা য়াবদি ত্রিপুরাদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎসি ধর্মনগর নত্তনা কদায়দসু পাঙথোক্তে। সরাংথেম বড়মনি সাহিত্য ভুষননা ইবা 'মৈতৈ নিংথৌরোল' কৌবা লাইরিক্তা পনবা (লমায় ১২৮) মতুংইন্না খৃ: ১৭৪৯ পোইনু ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ তাবা নুমিৎনা ৱাতোন লোম্বা মতমদা য়াইস্কুল জন্মস্থান্দা ভাগ্যচন্দ্র পোকখি হায়রি।' (মরূপ ২.১১.২০১২)।

(মথক্তা পল্লিবা খৃ: ১৭৪৯ অসি প্রিন্টিং মিষ্টেক ওইগনি, খৃ: ১৭৪৮ ইগদবনি। সরাংথেম ওজা বড়মনিগী ফাইন্দিংগী মতুংইন্না ত্রিপুরাদদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌরদুনা পোইনু ১৩নি পানবা খুদিংদা পাঙথোকই হায়বগী লিখুন ময়েক শেংনা ফংলে। মপোক নুমিৎ অসি হৌজিক্তি লাল্লি চুম্মী হায়রুবা য়াররোই। অদুম পাঙথোকচরসনু।)

**অনীশুবদা,** বাংলাদেশতসু ইহান হানবা ওইনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ খৃষ্ট কুম ১৭৪০, জুন ২১, লৈপাকপোকপা নুমিৎ অসি লৌরগা পাঙথোকখ্রে। লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমদা ফোঙখিবা থৌরম অদুগী ৱারোল খরা মখাদা উৎচরি-

**'বাংলাদেশতা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে -** মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২৭৪শুবা মপোক কুমওন থা অসিগী ২১ (জুন) দা বাংলাদেশতা পাঙথোকখ্রে হায়রি। সিলেটকী মণিপুরী রাজবারি মাণ্ডপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রাজর্ষিগী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। সেলেব্রেসন কমিটিগী এদভাইজর অনিল কিষন সিংহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কবি এ কে সেরাম্না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী পুন্সি ৱারী, মণিপুরদা গৌড় ধর্ম্ম শন্দোকপা অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতিদা মহাক্লা তৌরম্বা দানশিং শীংথাখি হায়রি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরী সংস্কৃতিগী লমদা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক তৌরিবা পুঙগী ওজা চন্দ্রমোহন সিংহ, ঈশৈগী ওজা জয়চন্দ্র শর্ম্ম, দোহার শমদেন সিংহ অমসুং সিলেট পঞ্চায়গী পুরেন রামকৃষ্ণ শর্ম্মদা 'ক্রেষ্ট অমসুং উত্তরিয়' পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। তুংদা নত সঙ্কীর্ত্তনগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।" (২৪.৬.২০১৪ ইংদা ফোঙখিবা)

(রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ খৃষ্ট কুম ১৭৪০গী জুন ২১ অসিনি হায়দুনা বাংলাদেশতা পাঙথোকখ্রবনি। চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরমগনি। হৌজিক্তি লাল্লি চুম্মী হায়রুবা য়াররোই। চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথবা ওইরসনু।

**অহুমশুবদা,** শ্রীদর্শনী বুক পব্লিকেসন্স, ইরোইশেম্বা ইম্ফালদা লৈবা লূপ অমনা খৃষ্ট কুমজ ২০১৮, নবেম্বর ১৮, হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকখি। লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমগী নবেম্বর ১৯ ইস্যুদা ফোঙখিবা ৱারোল খরদং মখাদা উৎচরি-

**"মহারাজ রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২৮৯শুবা মপোক চহী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে"** - শ্রীদর্শনী বুক পব্লিকেসন্স, ইরোইশেম্বনা শীন দুনা মহারাজ রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী ২৮৯শুবা মপোক চহী নীংশিং থৌরম ইহান-হানবা ওইনা ঙসি ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে। (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ অসি খৃষ্ট কুম ১৭২৯গী নবেম্বর ১, হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা পোকই হায়বা ফাইন্দিং অমগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি। নবেম্বর ১৮ অসি হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবনি। থৌরম অদুদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙখি। রাজর্ষিগী অয়েকপা শকমিদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনসু ইকায়খুম্নখি।)

**ৱারোইশিন :** মাগী মাগী **'মন বুদ্ধি পুরাণ'** গী ফাইন্দিংগী মতুং ইন্না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অমদি মপোক নুমিৎ কয়া অমা লৈ হায়দুনা মথক্তা উৎচখ্রে। ময়াম অদুগী মনুংদা পোকপা নুমিৎ অহুমখক হায়বদি (১) খৃ: কুম ১৭৪৮গী পোইনু ১০নি পানবা (মসিগী পালনদি ত্রিপুরাদা তৌখিবা কুইরে)। (২) খৃ: কুম ১৭৪০গী জুন ২১ (মসিনা বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা পাঙথোকখ্রে)। (৩) খৃ: কুম ১৭২৯ হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা (মসিনা মণিপুরদা লৈবা শ্রীদর্শনী বুক পব্লিকেসন্স হায়রিবা লূপ অসিনা পাঙথোকখ্রে)।

কনাগীনা লানবা, কনাগীনা চুম্বা খঙদ্রি। মৈত্রবাক মণিপুরগী মিংনাইরবা ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা তোঙান তোঙানবা নুমিৎতা পাঙথোক্লখ্রে। হৌজিক্তি লাল্লি চুম্মী হায়জররোই। অদুনা মাগী মাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না পাঙথোকচরসনু। পুথোক্লরিবা মপোক নুমিৎশিং অসি অশেংবা জন্ম কুষ্ঠিদগী অমত্তা নত্তে, রি-ক্রিয়েসন ঙাক্তনি।

নীংশিংবীগদবা অমনা, মৈতৈ ইপা ইপুগীদি মপোক নুমিৎ পালন তৌনরমদে। চহীগী, থাগী দিন হায়দুনা নোঙ্গাখিবা নুমিৎতা উৎসব কৎতুনা লাইরিক তাদুনা, হৈ-লৈ কৎনরকই। মরম অদুনা কর্ত্তা নিংথেমশিংনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা লৈখিদবা নুমিৎ হায়বদি চহী খুদিংগী মেরাগী হুমনি পানবা নুমিৎতা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা চথরক্লি। (রাজর্ষি লৈখিদবা অসি খৃষ্ট কুম ১৭৮৯, মেরা ৩নি পানবদনি)।

বেঙ্গোলদা ফোঙবা পাঞ্জিকা অমদা নুমিৎ অসি লাচল্লি। রাজর্ষিগী শকমী অমসু উৎলি। অদুনা শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা নুমিৎ অসি পালন তৌনৈ।

ইন্টরনেটতদি রাজর্ষিগী মপোক নুমিৎ অসি খৃষ্ট কুম ১৭৪৮, পোইনুগী ১০নি হায়দুনা লৈখ্রবনি, খৃষ্ট কুম ১৭৪০ হায়দুনসু থাগৎনখ্রবনি। ইন্টরনেটতগী চেনা ১০/১০ চিংথোক্লগা য়েংবীয়ু। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র খৃষ্ট কুম ১৭৮৯দা জন্মস্থান্দা পোকই হায়দুনসু লান্না রেকোর্দ থাগৎনখ্রবনি। লৈখিদা চহীবু মপোক চহী ওইনসু উৎখ্রবনি। হৌজিক্তি কনানা চুমথোক্লগনি ? নোংথক্তা শিংকৎখিবা তিলনা ইমায়দা তাদুনা তোক্লগনি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী অশেংবা মপোক চহী, নুমিৎ, থবান পুথোক্লুবা পাম্বৈ অমত্তংদি লৈরি। মদুদি কোন্না ইজরক্লগে।